**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-12-2024)**

**ৱেদর (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমদি ককচিংদা ঙসিদগী নুমিৎ হুমনি চুপা লৈচিল কুংনা থাগনি।

হায়রিবা নুমিৎশিং অসিগী অয়ুক অঙনবদা মীয়ামনা লন্থী চৎথোক চৎশিনদা হেন্না চেকশিন্নবা মেট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

মরক অসিদা, জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট-ডা: খুমুকচম লোকেশ্বর সিংহনা হায়রি-মনিপুরদা ইংবগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা মরুওইনা পীক্লিবা অঙাংশিং অমদি অহল ওইরবশিংবু য়ারিবমখৈ ইংহন্দনা থন্বীবা তঙাইফদে। ইংশিল্লকপা মতমদা অঙাংশিংদা শ্বর হোনবদা অৱাবা মায়োক বগী লায়না য়ামা নাগল্লি। অদুগা চহি য়াল্লবা অহলশিংদনা থম্মোয়গী লায়না নাবগী চাং হেনগৎহল্লি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রাজ্য অসিদা ইংবগী চাং কা হেন্না হেনগৎলকপগা মরী লৈননা মীয়ামনা চেকশিন্না লৈনবগী মতাংদা ডা: খুমুকচম লোকেশ্বর সিংহনা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুদা অসুমা হায়-

অমরোমদা, ইংবগী চাং হেনজিল্লকপা অমদি নোং চুবা য়ানা লৈরকপনা মরম ওইরগা হৌজিক রাজ্য অসিদা ইংবগী চাং অসি মাইনস দিগ্রী সেলসিয়সতা লাকপা য়াবগী ফিভম অদু য়ৌরক্লে হায়না দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তর-তৌরাংবম ব্রজাকুমারনা ফোংদোরক্লি। মহাকা হায়-ইংবগী চাং হেনজিল্লকপা অমদি লৈচিল কা হেন্না থারকপা অসিনা লৌউ-শিংউগী থবক্তা অকায়বা পীবতা নত্তনা মীওইবগী হকচাংদসু অকায়বা কয়া পীরি। মহাকা হায়-

**লিলা (এল)ঃ** নুমিৎ মরিনি চথুগদবা শুমাং লিলাগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা পাঙথোকখি। ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা ফিজেৎ-চাকচা, অকে-অমৌ, শুমাং লীলাগী লৈতেংগী মতাংদা চনম্বম কুঞ্জেশ্বরনা ৱা ঙাংখি অদুগা শুমাং লীলাদা ফাগীরোইশিংগী থৌদাং হায়বা হীরমদনা সঙ্গিৎ নাটক একাডমী এৱার্ডি-সৌগ্রাকপম হেমন্তানা ৱা ঙাংখি।

তুংদা, অইবা-মনাওবী এম.এম. অমদি রঞ্জিৎ নিংথৌজানা লীলাগী স্ক্রিপ রাইটিংগী মওং অমদি টেকিশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ষ্টেট কলা একাদমি হম্ফালনা শিনবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অসি থা অসিগী ২৪ দা লোইশিনগনি।

**বিএসএফ(এল)ঃ** ককচিং কৈরক দামদা লৈবা বি.এস.এফকী ১২৬ শুবা বটালিয়ন (এ) কোই ষ্টেসনদা বি.এস.এফকী জৱান অমা মশা মতোমতা মহাক্কী সার্ভিস রাইফলনা কাপশিনজদুনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা জৱান অদুগা মমিং সুনিল কুমার হুদা কৌই, চহি ৪৬ শুরে। মহাক হরিয়ানাগী রোটত জিলাগী রোটত পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা কিলোই খুলগীনি।

**নোনে (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী নোংচুপ খারম পল্লেলদা লৈবা নুঙ দোলান মপাদা নুঙ কিন্থরকপদগী লম্বী চৎথোক চৎশিনদা ঙাইহাক অপনবা থোকখ্রে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়-কাংপোকপী জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মফম অসিদা নুঙ দোলান মপাদা চিংথক্তগী নুঙ কিন্থরকপদগী গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অপনবা কয়া থোক্লুরবা মতুং লম্বী শেল্লিবা কম্পানিনা এক্সকারবেটর শিজিন্নদুনা শেংদোক্লবা মতুংদা লম্বী অদু হান্নগুম চৎথোক চৎশিন য়ারে।

**ককচিং(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা আইনগী ৱাংমদা ইন্নর লাইন পার্মিট কার্ড পায়দনা লৈরম্বা মীওই অমা পুলিসনা ফারবা মতুংদা মনিপুরগী মপানদা চৎহনখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা পল্লেল থোং ৱাংমা লৈকাইদা আই.এল.পি. কার্ড পায়দনা আইননা য়াদবা মওংদা মীওই খরা লৈরে হায়বা অককবা পাউ ফংবদগী থিবা হুন্বা চৎখি। মদুদা, হৌজিক হৌজিক তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা খুদৈ খুল্লেন ভিলেজতা লৈবা অসামগী ধুব্রি জিলাগী কতদংগা সবদুবি ভিলেজতগী করিমুল ইস্লাম অপোকপা অজাহর অলি মুনশি কৌবা মীওই অমা আই.এল.পি. কার্ড পায়দনা লৈরম্বদগী কুরাউপোকপী এরিয়াদা ফাগৎপা ঙমখি। তুংদা, মহাক ইগজ়কিটিব মেজিষ্ট্রেটকী মমাংদা পুথোক্লবা মতুং মনিপুরগী ৱাংমদা চৎহনখ্রে।

**মনিপুরসনা (এল)ঃ** কে. গোজেন্দ্রো ফাউন্দেসননা চহি খুদিংগী চৎখদুনা লাক্লিবা ক্লাস টেন থাগদবা মহৈরোইশিংগী ফ্রি কোচিং কোর্স কুমশি চহিগী ওইনসু ঙসিদগী হৌখ্রে।

১১ শুবা নিংথৌখোং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা চৎখরিবা কোর্স অসি জিলা অসিদা লৈরিবা মহৈরোইশিংনা শরুক য়ারি অমদি খঙ-হৈরবা ওজা কয়ানা তাকপী তন্বীরি। হৌদোকপগী থৌরমদা ৱার্ক্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম শরুক য়াখি।

**ডে(এল)ঃ** মথং চহিগী জানুৱরী ৯ ফাওবা থা অমা চুপা চৎথগদবা ১৯১ শুবা নেসনেল রি-কন্সোলিদিয়েসন মন্থ-চহি তরেৎ খুন্তাকপা, নীংশিং থৌরম-ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাক্লরোই হায়বা নুঙগী ওইবা ৱারোলগা লোয়ননা কছারগী কমঙ্গা অৱাপলিদা পাঙথোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ পিপল ফ্রন্ট মনিপুর অমসুং অৱাপলি খুভম কনবা নীংশিং লুপ অনিনা পুন্না শিনখিবনি। থৌরমদুদা-অৱাপলি খুভম কনবা নীংশিং লুপকী

প্রসিদেন্ট, য়ু.সি.এমগী প্রসিদেন্ট, য়ু.পি.এফকী এদভাইজরশিং, অথৌবশিংগী লীক্লম থিবা লুপকী প্রসিদেন্ট, ওল অসাম মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট, মনিপুর য়ুথ ফোরম অসামগী প্রসিদেন্ট, লেং ওনদবী পাৎ প্রোটেক্সন অমসুং প্রিজার্ভেসন কমিতিগী প্রসিদেন্ট অমদি থৱায় মীরেলগী কনভেনরসু শরুক য়াখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা তমেংলোংদা নুমিৎ তরুকনি চুপা চথুরকপা ব্রিন্টর কেম্প ঙসি লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অদুদা মহৈরোইশিং, খুঞ্জাশিং অমদি ওফিসিএল কয়ানা শরুক য়াখি। কেম্প অসিগী মনুংদা নহাশিংদা যোগ, উ থাবা অমদি শান্ন খোৎনবনা চিংবা থৌরমশিং পাঙথোকখি।

**সিআরপিএফ(এল)ঃ** সি.আর.পি.এফকী ৮৬ শুবা বটালিয়ননা ঙসি কাংপোকপী জিলাগী কে. সেনাম ভিলেজতা জিঙ্ঘা অমদি ৱাটর পাইপশিং য়েন্থোকখ্রে।

সি.আর.পি.এফনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মনুং চন্না মনিপুর অমদি নাগালেন্দ সেক্তর সি.আর.পি.এফকী আই.জি. ডাক্তর-বিপুল কুমার অমদি বটালিয়ন অসিগী কম্মান্দেন্ট-সৌরফ কুমার চৌধুরি অনিগা মীৎয়েং মখাদা কে. সেনাম অমসুং টি. লাইজং ভিলেজগী খুঞ্জাশিংদা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকখিবনি। থৌরম অদুগী তুংদা, খুলশিং অসিগী খুঞ্জাশিং অমদি নহাশিংগসু মীফম অমা পাঙথোক্তুনা চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত অমসুং কুয়েট লৈবাক অনিনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা অচেৎপা মরী থমদুনা লাক্লি।

কুয়েটতা বেজ তৌবা ন্যুজ এজেন্সি-কুনাগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা অমদা শ্রী

মোদিনা হায়-লৈবাক অনি অসিনা লল্লোন ইতিক, ইনর্জি অমসুং ইনভেষ্টমেন্‌টতা অফবা মরী থমলি। মহাকা হায়-লল্লোন ইতিক অসিনা লৈবাক অনি অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা লম অমা ওইরি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ইনর্জি পার্টনরসিপ অসিনা লৈবাক অনিগী লল্লোন ইতিক্কী লমদা তোপ তোপ্পা মগুন অমা হেনগৎহল্লগনি। টেকোলোজি, হকশেল, ফারমাচুটিকেল, ইনোভেসন, দিজিটেল অমসুং টেক্সতাইলগী লমদসু তেংবাং পীনরগনি।

**পিএম** ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিদা কুয়েট সরকারনা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা এৱার্ড-'ওর্দর ওফ মুবারক অল কবি' মিংথোল পীখ্রে। শ্রী মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা কুয়েটতা চৎখিবনি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা লৈবাক অমনা ইকায় খুমবগী মিংথোল পীরকপা হন্দক্কী অসিনা ২০ লক শুবনি। মন্ত্রালয়না হায়-মনা অসি লৈবাক অসিনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মকোক থোংবা মীওইশিং-আমেরিকাগী ওইনা রাস্ত্রপতি-ব্লিন ক্লিটন অমসুং জোজ বুস অমদি য়ুনাইটেদ কিংদমগী ওইনা প্রিন্স চালসতা পীখ্রে।

**অমিত**ঃ গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি ত্রিপুরাগীদমক লুপা কোতি ৬৬৮ লাখ ৩৯ গী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট ১৩ গী যাত্রা হুনখ্রে।

ধলাই জিলাগী মসুরাইপারাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা শ্রী সাহনা হায়-মমাংদা পাল্লম্বা কম্যুনিষ্ট সরকারনা ব্রু জাতিশিংগী খুন্দা লৈতানবা ৱাফমশিং নাথৈদুনা থম্লমখি। মহাকা হায়-২০১৮ দা বি.জে.পিনা সরকার পায়রকপদগী ব্রু জাতিগী মীওই লিশিং ৪০ হেন্না খুন্দা লৈতানবা শিল্লকখিবনি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ব্রুশিংনা লৈনবা লুপা কোতি ৯০০ চংনা খুন্দা লৈতানবা শেমগৎখিবনি।

শ্রী সাহনা হায়-ব্রু জাতিশিং অসিনা থকবা অফবা ঈশিং, মৈ, মহৈ মশিং, হকশেলগী খুদোংচাবশিং ফংলমদে। অদুবু, হৌজিক্তি মখোয় হায়রিবা খুদোংচাবশিং অসি সরকারনা ফংহল্লে।

**এপোইন্টমেন্ট** ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নৌনা থবক খল্লবশিংদা এপোইন্টমেন্ট লেট্টর লিশিং ৭১ হেন্না ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা হয়েং য়েন্থোক্লগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱাফম কয়াসু ফোংদোক্কনি। রোজগার মেলা অসি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ৪৫ দা পাঙথোক্কনি। রিক্রুটমেন্টশিং অসি কেন্দ্র সরকারগী মিনিষ্ট্রি অমসুং বিভাগশিংগী মখাদা পায়খৎপনি। রোজগার মেলা অসি লৈবাক অসিগী নহা কয়াদা থবক ফংনবগী খুদোংচাবা পীগনি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা থাজবা পীখিবা অদুগী খোঙথাং অমা ওইনা পায়খৎলকপনি। মসিনা নহাশিংদা লৈবাক অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কলহনদুনা মশা মথন্তা মরোমদোম লেপচবা ঙমহল্লগনি।

**ডেঃ** নেসনেল কঞ্জুমর ডেগা মরী লৈননা কঞ্জুমর এফিয়ার্স বিভাগনা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা জাগো গ্রহক জাগো এপ, জাগ্রিতি এপ অমসুং জাগ্রিতি দেস বোর্ড হৌদোক্লগনি।

এপশিং অসিনা সেন্ট্রেল কঞ্জুমর প্রোটেক্সন ওথোরিতি-সি.সি.পি.এনা নিয়ম-নিতি নায়দবা থবক থৌরমশিংদা সু মোটো লৌখৎপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। জাগো গ্রহক জাগো এপ অসিনা কঞ্জুমরশিংগী ওন লাইনগী থবক থৌরমশিংদা য়ুনিভরসিএল রিছোর্স লিঙ্কস (য়ু.আর.এল.এস) কী ই-কর্ম্মসকী পাউশিং ফংহনবা ঙম্লগনি। মসিনা য়ু.আর.এলশিং খুদোংথিব্রা অমসুং চেকশিন থৌরাং পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈব্রা হায়বদু খঙহনগনি।

## --হৌজিক শান্নবগী পাউ, ৱাইখোম চিত্রাধানিদগী--

**ফুটবোল (এল)ঃ** ২৯ শুবা সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজ মাতা জিজাবাই ত্রোফিদা ২২ রক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মণিপুরগা ওরিষাগা হয়েং ফাইনেল শান্নরগনি। মেটচ অসি ছাতিসগরগী নরায়নপুরদা লৈবা রাম কৃষ্ণ মিসন আশ্রম গ্রাউন্দদা শান্নগনি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটতা মণিপুরনা নোংচুপ বেঙ্গলবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখিবনি।

অমরোমদা, ৭৮ শুবা শন্তোস ত্রোফিগী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ-বি মেটচ অমদা মণিপুর অমসুং নোংচুপ বেঙ্গল পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে। মণিপুরগী মথংগী মেটচ হয়েং নুংথিল পুং ২ মখায়দা য়ুম্বু ওইরিবা তেলঙ্গনাগা শান্নগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা মরিশুবা মাস্তর ডাক্তর মোইরাংথেম মনাওতোন সিংহ্ এন্দ এম. চন্দ্রসক্ষি দেবী মেমোরিএল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সন্দে এফ.সিনা এম.এল.ভি.এফ.এবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ভি.এস.এ.আইনা এফ.এল.এ.এমবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দি.এস.এ. ককচিংনা শিনদুনা অনিশুবা য়ুথ লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.ডব্লিয়ু.য়ু. ককচিংনা এস.এ.ও. ককচিংবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা কে.এস.দি.ও-কিয়ামগৈনা এস.দি.সি. লাইফম খুনৌবু রন-১৩০ থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী পাব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট থ্রিদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এন.এ.পি.এস.এ-খা ইম্ফালবু ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. পাৎশোইবু রন-৫২ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দ থৌবালদা শান্নখিবা মেটচতা ডব্লিয়ু.ৱাই.সি. থৌবাল ৱাংখেমনা টি.সি.এম. দি.সি-থোংজবু রন-৪০ দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ফোর্স ক্ষেত্রিগ্রাউনা রুল-মৈত্রমবু ৱিকেট অনিদা থোইখ্রে।

**বিদমিন্টন (এল)ঃ** মহারাস্ত্রাগী নাগপুরদা পাঙথোক্কদবা ৬৯ শুবা জনিয়ার নেসনেল বোল বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ ফোর বোইস এন্দ গার্লসতা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং মরি লৈনবা ইন্সটিট্যুটসন, ক্লব অমদি য়ুনিটশিংনা ত্রাইয়েল কপ সেলেক্সনগীদমক অকম্পাৎতা লৈবা নৈলিট বাসকেটবোল ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৪ দগী ২৭ ফাওবদা লাকবা খঙহল্লি।

**বিদমিন্টন (এল)ঃ** পুন্সিয়াই বেদমিন্টন ত্রেন্নিং সেন্টরনা শিনদুনা বেদমিন্টনগী কোচিং হৌরগনি। অকুপ্পা মরোল ত্রেন্নিং সেন্টর অসিদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।